হুইয়েন লানপাউ
লৈবাকপোকপা, এপ্রিল ২৬, ২০২২, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ৩২শুবা মশীং

## নাগালেন্দ ৱাথোক্কী ৱারোইশিন
### মাঙজৌননা সেন্টরদা হায়হৌগদবনি

নাগালেন্দগী কুম পুরক্লিবা অমসুং নাগা পোলিটিকেল ইস্যুনি হায়রিবা ৱাফম/ৱাথোকসিগা মণিপুরগা, মণিপুরগী ফুরুপ-কাঙলুপ অমত্তগা করিগুম্বা হীরম অমত্তদা মরী লৈনদে। নাগালেন্দগী ৱাথোক্লা নাগালেন্দগীনি, মণিপুরগী ৱাথোক্লা মণিপুরগীনি। লৈবাক অসিগী ফিবান্নুংদা পূন্না য়াওমিন্নদুনা অমত্তা ওইবা শরুকশিং ওইমিন্নরবসু তোঙান-তোঙানবা ষ্টেট অমমমনি। অদুবু লৈবাকসিগী শরুক অমা ওইরিবা নাগালেন্দ খক্কী ৱাফম নত্তনা অতোপ্পা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংদা করিগুম্বা ৱাথোক-লান্থোক অমা থোরকপদা লৈবাকসিদা লৈমিন্নরিবা মণিপুরগী মায়কৈদগী মথৌ তারক্লবদি অঙম্বা মতেং পাংবা য়াই, পাংফমসু থোকই। অদুবু নাগালেন্দগা য়ূমথংনরিবা মণিপুরগগী মরক্তা হেক-হেক মরী লৈনহল্লক্লিবনা 'নাগা' হায়বা ফুরুপসিগী মমিং মান্নবা মণিপুরগী চীংমী খরনা মখোয়সু ফুরুপসিগী মমিং মান্নবা কাঙবুসিগা অমত্তনি হায়দুনা হেক্তা হৌ-হৌ তৌরকপা অদুগা নাগালেন্দগী নাগা পোলিটিকেল ইস্যুনি হায়রিবসিগী ৱারোইশিন পুরক্কদৌরিবনি হায়রিবা খরনসু অৱাং-নোংপোক ষ্টেটশিংগী নাগা তাবা মফমশিং অমত্তা ওইনা পুনশিনগদবনি। গ্রেটর নাগালেন্দ শেমগদবনি হায়বগী ৱাফম কাংথোরকপনিনা নাগা হায়বা মিঙ্গৌসিগা মান্নবা অমসুং মসিনা কোনশিনগদবনি হায়বা খরা মণিপুরদসু লৈরিবনা নাগালেন্দগা হেক্তমক হকথেংননা মরী লৈনহল্লকপনি। নাগালেন্দগী মাঙজিল থাবা লালহৌলূপ অমা ওইরিবা এন এস সী এন-আই এম ফাওবনা মখোয়গা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকগী মরক্তা তৌনরকপা সিজ-ফায়র এগ্রীমেন্টকী ঙমখৈদা ফাওবা বেঙ্কোকতা খূৎয়েক পীনখিবদা অকক্লবা পনখৈ লৈতবা হায়দুনা নাগা ফুরুপ-কাঙলূপ খরা লৈরিবা মণিপুরগী শরুক খরসু কোনশিল্লকপা য়ানবগীদমক 'ৱিদাউথ টেরিটোরিএল লিমিট' হায়বা ৱাহৈ অহুম হাপচিল্লুবদগী 'জুন ১৮' গী থৌদোকশিং থোকখ্রিবনি। মসিগী মতুং তারকপদা এন এস সী এন -আই এমগা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকগী মরক্তা খূৎয়েক পীনখিবা মখোয় অনীগী 'ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট' ফাওবগী মনুংদা য়াওরিবা ৱারোলশিং মীয়ামদা লোইনা ফোঙদোকই নৎত্রগা ফোঙদোক্তে হায়বগী ৱাফমদা হৌজিক ফাওবদা নীংদোল পোম্নরিবনি।

তশেংনমক নাগালেন্দগী পোলিটিকেল ইস্যুবু ওইরো নৎত্রগা জুকো ভেল্লিগী ঙমখৈগী শরুক্তবু ওইরো মণিপুরগী য়েলহৌমীশিং ওইরিবা ফুরুপ খরবু নাগানি, মিং মান্নৈ হায়দুনা লামশিন্দুনা খোপচিল্লগা কোনশিন্নবা হোৎনরক্ত্রবা, মণিপুরগী টেরিটোরিগী য়াওনা মখল পূম্নমক্কী ইন্টিগ্রিটিদা শোকহল্লক্তুনা থরক হুনগৎপগী ফীভমবু ওইহল্লক্ত্রবদি করিসু কায়দে, নাগালেন্দগসু মখল অমত্তগী মরী লৈনদে, লৈসু লৈনরোই। অহোয়নদুম য়ূমথংনরকপা ষ্টেট অমা ওইমিন্নরকপগী হৌনবা মণিপুরগী মায়কৈদগী পাংবা য়াবা অঙম্বা মতেংশিং ফাওবা পাংবা য়াই। অদুবু নাগা পোলিটিকেল ইস্যুনি হায়রিবা ৱাথোকসিগী ৱারোইশিন পুরক্লবনি হায়দুনা লিশাং শিংনা চত্থরক্লিবা ৱারী শানরিবনি হায়বা কুম পুরক্লিবা 'পিছ টোক' অসিগী পরিংদা মণিপুরগী ইমোসনল অমসুং টেরিটোরিএল ইন্টিগ্রিটিদা শোকহল্লকপা য়াবগী থৌদোকশিং থোকখ্রবনা নাগালেন্দগী ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনরকপদা মণিপুরবু অমুক হন্না কোনবিরক্লরোই হায়বসি পূক্নিং লূম্বা ফীভম অমা ওইদবগী ৱানি। মসিগী মথক্তা হৌজিক মথং চহী ২০২৩গী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্লগদবা নাগালেন্দ এসেমব্লিগী ইলেক্সনগী মমাঙদা মখোয়গী নাগা পোলিটিকেল ইস্যুগী অরোইবা ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনগদবনি হায়দুনা নাগালেন্দগী চীফ মিনিষ্টর নৈফিয়ু রিওনা লুচিংবা মীহুৎ কাঙবু অমনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং হোম মিনিষ্টর অমিট শাহগা দেল্লীদা লাক্তুনা তকশিল্লবা লৈখ্রে। মসিদগী হান্নগী ইন্টরলোক্যুটর আর এন রবিগী মহুৎ শিল্লকখিবা এ কে মিশ্রা নাগালেন্দদা লাকখ্রে। অসুক কুইরবা নাগা পিছ টোক অসিগী পরিংদা ইহান হানবা ওইনা দিমাপুর মনাক্তা লৈবা এন এস সী এন-আই এমগী হেদ ক্বার্টর কেম্প হেব্রোনদা ইহান হানবা ওইনা ইন্টরলোক্যুটর এ কে মিশ্রানা লালহৌলূপ অসিগী জেনরল সেক্রেটরি টি ঐচ মুইভাগা হকথেংননা উন্নদুনা ৱারী শানখ্রে। নাগালেন্দগী সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিং অমসুং ষ্টেকহোল্ডরশিংগসু উন্নদুনা ৱারী শানখ্রে। ওইরক্লিবা ফীভমসিদা নাগালেন্দ লৈঙাক্কী দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই পাট্টোনগী মায়কৈদগীদি অরোইবা ৱারোইশিন অদু অনৌবা নাগালেন্দ এসেমব্লি মীখল মতুংদা ওইথোরক্লবসু পাঙথোক্লগদবা ইলেক্সনদুদা মায় পাক্লকপা নাগালেন্দগী এম এল এশিং রিজাইন তৌবগী ৱাফম লৈতে হায়দুনা ফাওবা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে। মরম অসিনা নাগালেন্দগী ৱাথোক লোইশিনগদৌরে হায়বদা মণিপুরনা খোইরাং খোইশাওনবগী ৱাফম নত্তে। মণিপুর চেন্নহল্লক্কনু, চেন্নহল্লক্তনবসু সেন্টরদা মাঙজৌননা তকশিলহৌ হায়বনি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪০

১) ''**তোয়না থেংনৈ ঐনা/ৱাহৈনা মপূকচেন হোংলকপা।/ৱাহৈনা মপূক শেংলক্তবসিদা/কপলি ঐগী থৱায়না।**'' শক্লাইরবা কবি অমগী লাইরিক্তা য়াওবা শৈরেং অমনি। কবি অসি কনানো, মাগী করি লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংদগীনো?

২) মণিপুর মপানগী শক্লাইরবা অইবা অমগী লাইরিক্কী মমিংনি ''**অরোইবা খোঙচৎ**'' হায়বসি। অইবসি কনানো অমদি লাইরিক অসি করি মখলগীনো?

৩) ''*সেনবী সমসোক্ লৌওনব পাংগ ঈপ লাল্ কবো ঈপু লাল্ পূনুং চঙবী ঈয়ান খাক্ পূনুং ঈসোই ননন লমলেল্ মংসা লউথেং কোইদ ইরোই কাংপোৎ খোমলরে হায়য়ে। পোইরই ঐসু তাংসক্তে।*''ৱাহৈ পরেংশিং অসি কদাইদগী লৌথোরকপনো?

৪) ''**চেরৈ**'' হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং অইবনা কনানো?

৫) ''*অ।! চান্নবী, হৈররোনে থন্ন, থক্লসিনে,/হৌখিবগীদমক্ত নীংঙমদ্রবা লাক্কদৌ' গীসু নুংনাংনরিবা ঙসি কৌবা নুমিৎসে,/হয়েং! করিগী হয়েং, ওইবা য়াদ্রবা ঐহাক্তী/হৌখ্রবা চহী লীশিং চাম্মগী চিন্তা পোৎলুম পুবা।*'' মালেম ফাওরিবা কবি অমগী শৈরেংদগী মণিপুরীদা হন্দোকপা মতেকনি। কবি কনাগী করি শৈরেং লাইরিক্লো অমদি মণিপুরীদা হন্দোক্লিবনা কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম এপ্রিল ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুন্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুন্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## মণিপুর লৈঙাক্কী করম্বা অনৌবা মহাউ

হেক্তা হায়নীংলকই - ৭০০

জিতেন নামৈরাকপম

গ্লোবেল ৱার্মিং, ক্লাইমেট চেঞ্জ হায়বসি হৌজিক মালেমগী মফম খুদিংদা ঙাঙনরিবা ফোং ফোং শারিবা ৱাফম ওইরি। মালেমগী ওইনসু শাবগী চাং হেনগৎলক্লে। মশাগী ওইফম থোকপা চাং অমদি অঙৗং-অশাগী খল কায়রকপনা মরম ওইদুনা মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা খুন্দা-লৈতারিবা, জীবশিং অমদি মখল মখলগী পাম্বীশিংদসু অসুক্কী মতিক অকায়বা থোকহল্লে হায়বসিমদি মীয়াম্না ঙাঙনদুনা লাক্লি। মহৌশাগী খল কায়রকপনা মীয়ামদা পীরকপা খুদোংথীবা ফীভমগী মতাংদদি মীয়াম্না হকথেংনদুনা লাক্লিবনি। গ্লোবেল ৱার্মিংগী টোপিক অসি হৌজিক মহৈ তম্লিবা টেক্সবুকশিংগী সিলেবসতা হাপ্লবা মরম্না অঙাং মচাশিং ফাওবদা ৱাখল তারে হায়বা য়াই। পাম্বী য়ান্থৎকুমসি, উ চারা থাবগী হৈনবী থমসি, পেট্রোল-দিজলগী মহুৎ সোলর ইনর্জিনা শিল্লসি, এয়র পোল্যুসন, ৱাটর পোল্যুসন, নোইজ পোল্যুসন থিংনবা হোৎনসি, মখল-মখলগী পাম্বী, শা-ঙা, উচেক্কী পুন্সি কনসি হায়বগী ৱাহন্থোক মীওই পূম্বনা খঙনরক্লে। হৌজিক্তি নাওরি কাপ্পা অঙাংশিং উখিদ্রে। এয়র গন পায়রগা লমখুনু কাপ্পশিংদি মরক মরক্তা থেংনখি। ইনভাইরনমেন্টেলিষ্ট কাঙবুনা অমদি থৱায় য়াওজবা এন জি ও কাঙবুনসু মালেম অসি কলহৌনবা খোঙজং কন্না চঙশিন্নরি। ইকোলোজিকেল বেলেন্স থম্নবা হোৎনবদা ঐখোয় খুদিংমক্কী চাওরবা থৌদাং লৈরি।

গ্লোবেল ৱার্মিংগী মতাংদা এফোরেষ্টেসন তৌসি দিফোরেষ্টেসন তৌরগুমসি হায়না মণিপুরগী তম্পাক লমদা কোয়লাউ লাউজরগসু চীংলোন মাপননা কোয়শিনবা চীংগী লমদা খুন্দা লৈতারিবা ষ্টেকহোল্ডরশিংনা লেপ্পা লৈতনা উমং কোকথোকপীরগদি পূম্নমক অরেম্বদা তাদুনা তোক্কনি। মণিপুরগী ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনসু উ-চারা লাখ অদু থাখ্রে, কোটি রোমদা থাখ্রে হায়না পংলাউ লাউজরগসু মণিপুরগী চীং অয়াম্বদা মরূ কোক্লগা লৈবা, হৌদোংনা ফুঙ্গাদা মৈ য়াইবদা কোরোক কোয়না মতু চাকপা হৌদোং অমগা পাঞ্জকনি। ইম্ফালগী দিমাপুর ফাওবদং সর্ফেস রোদতা চৎপদা লৈহৌবা চীংগী ফীভম মীয়াম্না অদুম্মক উবীরিবদু মঙাই। ইম্ফাল টু জিরিবাম লম্বী শোমদদি চীংচেপশিংদা খরা খজিক ঈশিং শংনা উবা ফংই। ইম্ফাল টু মোরে, উখ্রুল, তমেংলোং চপ মান্নৈ, উজাউ অমত্তা হৌবা উবা ফংদ্রে। য়ান্থৎপদা-য়ান্থৎপদা অমুক্তোইবা মহানি। উজাউ হৌদ্রে, নোং চুরে ঈশিং চুপশিনবা ঙমদ্রে, ইরোজন থোকহল্লে, ঈশিং খংচাও চাওহল্লে। দ্রাই সিজন্দনা ঈশিং পুমকংনি। ইম্ফাল তুরেল, নম্বুল, ইরিল তুরেল ঈশিং খংতৎ-খংতৎ তৎলিবা অদুনি। লৈঙাক্লা ঈশিং তুংশিনহন্নবা, ফাজিন্দুনা থমহৌনবা কোয়লাউদি লাউরি হায়ববু তুং কোয়না চৎপা য়াবা পোরম অমত্তদি শিনবা উদে। মায়সু পাক্ত্রি হায়বা তাই।

কুমজা ২০১৯দগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হৌদোকখিবা হর ঘর জল কুমজা ২০২৪ ফাওবগী মনুংদা ইন্দিয়াগী মফম খুদিংমক্তা লৈরিবা মীওইশিং টোটি ঈশিং পীথক্কনি হায়বগী স্কিমনি। মণিপুরদদি চাদা ৬০গী মথক্তা হৌজিক টোটি ঈশিং পীথক্লে হায়না লাউরি। অদোম অদোমগী চাকখুমদা টোটি ঈশিং তারিব্রা-তাদব্রা হায়বদুগী পাউখুম অদুদি পীবিরো। ঐখোয় অদুৱাইদদি টোটি ঈশিং তাবা লায়রি সিন্টেক্স লিটর ২০০০/২৫০০ পুদুনা চৎলিবা গাড়ীনা ফোন ফাওবা পায়খৎপীরক্ত্রে। ওর্দর য়াম্না লৈরি, হয়েং-হংচিৎ হায়না ঙাইদুনা লৈরি। ঈশিং লিটর ২৫০০দা লুপা চাক্রুক মদুসু হাপ্তা অমা ফানা চৎপা নত্তে। থা অমদা য়ামদ্রবদা লুপা ২৪০০দি ঈশিংদা চৎলি। ইশাগীবুদি য়ূম মনুংদা ৱাটর টেঙ্কর চলহৌবনিনা ত্বেলভ কে, লিটর লিশীং ১২ হেন্না চনবা টাটা টেঙ্কর অমা থাহনবদা লুপা ১৬০০/১৭০০তা হোৎনজরি। মৈগী ৱাবুদি বি জে পি লৈঙাক লাকত্রিঙৈদগী চাং নাইনা হৌখ্রে। দেল্লী লৈঙাক আম আদমি পার্টিগী কেজ্রিৱাল লৈঙাক্লদি মৈ ঈশিং লেম্না পী হায়রি। দেল্লীদা লৈবা ঐগী মরুপ ইনকম টেক্সকী ইন্সপেক্টর শান্তকুমারনা হায়বদা য়ুনিট ৩০০ থা অমদা ফ্রিদা পী হায়রি। মণিপুরদসু বি জে পি লেদ গভর্ণমেন্ট শ্রী বিরেনগী লৈঙাক্লা মণিপুরগী লৈত-লায়রবশিংগী খনবীরগা মৈ, ঈশিংসিমত্তগা ফ্রীদা পীবিরগদি মণিপুরগী পুৱারীদা সনাগী ময়েক্লা ইরগা লৈহৌগনি খল্লি। গ্যাস লেম্না পীরিবনিদি হায়রগা ওল্লকপা থাদা লায়রবগী পনখৈ মখাদা লৈবা নুপীদুনা গ্যাস রিফিল তৌনবা লুপা ১১৮০ পীনীংঙাই লৈতদনা সিলিন্দর য়োন্থোকখ্রগা শীং লৈহনবা, পেট্রোল-দিজলগী মমল নুংতিগী লেপ্তুনা হেনগৎলকপনা অফবা লৈঙাক্লি হায়গনি থাজদে। লুপা ৩ পীবা চেঙয়েন চারগা থবক শুবদা লুপা ১১০ হেনবা পেট্রোল হাপ্পা ঙমদ্রে, মায়কৈ খুদিংদা তাঙখৎলক্লিবা পোৎলমশিং থেংনবদা অৱাবা অমা ওইনরে। ১২শুবা এসেমব্লি ইলেক্সন তৌদ্রিঙৈদা পীরম্বা থাওগী মমলদুদা হন্থহন্নবা হোৎনবীয়ু।

বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক্লা অমুক হল্লকপসিদা সেক্সন কয়াদগী মীয়াম্না হরাউ নুংঙাইবা ফোঙদোকপা ওইনা মীয়াম্বু য়ারিবমখৈ ঈং-তপ্পা, শান্তি লৈবা, অৱা-অনা য়াওদনা থম্বীবা লৈঙাক ওইহনবীয়ু হায়বসিনি। মৈ, ঈশিংগী মতাংদদি হঞ্জিন হঞ্জিন হায়রুদ্রগসু মীয়াম্না লোইনা থেংনবিরবা মক্তনি। ঈশিংগী ৱাদি করিনো পুং ২/৩দং লেপ্তুনা নোং হৈথরকপদা কোয়লাস মথক্তা চেল্লিবদুনি, লৈরক খুল্লক ঈশিংতনা পুমথুমনি। ঈশিংদি ওন্থোক্লা মরাং কায়খ্রবা, থক্লবা ঈশিংখক ফংনদবগী ৱানি।

হন্দক্কী লৈঙাক অসিনা লম খোপচিনবশিং তকথোক্কনি, ঈরম নালা ফুনজিনবা য়ারোই, লমখোপ কাঙবুশিং লৈঙাক্লা এক্সন তৌরক্ত্রিঙৈদা নশা নশানা খঙনা য়ূম কৈ শিদোকহৌ হায়বগী ওর্দর থোকখ্রে। থাগৎনীংঙাইনি। য়ূম শাগনি খল্লগা নালা পীগনি খন্দবা, শাইজিনগা শাইজিনগা ৱাইশিন্নরগা য়ূম কৈ শানরিবশিং, রিজার্ভ ফোরেষ্ট, প্রোটেক্টেদ এরিয়া নম্ফুদা নকলি পাট্টা পায়রগা শেমগৎ শাগৎনরিবশিং হন্দক্কী লৈঙাক অসিদি মওং অমা তৌখৎলক্লি, থুগাইবিখদ্রা খঞ্জে। মতাং অসিদা শক্তিগী মতাং লাকই। থুগাইবা অমদি থুগায়হন্দবা ঙম্বা অনী অসিনি। থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ৱাইথৌ চীঙ্গোলদা তেমথোকখিবা চীং, শাগৎলক্লিবা বিল্ডিং কয়া উরুবদা সী এম বিরেননা অরৈবী থাক্তা শাউখিবা থেংনরুই। আইননা য়াদবা মওংদা চীং তেমথোক্লগা য়ূম কৈ শাহনবা য়ারোই হায়বগী অকনবা ইন্সত্রক্সন পীখিবা থেংনৈ। করম থোক্লগবা এনক্রোচর কয়া কনবা ঙম্বা করম্বা শক্তি লৈবা অমা'মুক থোরকখিগনি। য়েংবদা তারি। তৌবতবু মণিপুরগী মহৌশাগী ফজবা, ইন্টিগ্রিটি কায়হন্দবা, গ্লোবেল ৱার্মিং, ক্লাইমেট চেঞ্জ মায়োক্লবা, তুংগী মীরোলনা শোন্নহৌগদবা অফবা লৈঙাক অমা লৈহনবগী তঙাইফদবা লৈরি। ●

## ঈনাৎলা, মীনাৎলা য়োকখৎকদবসি ! - ৬৫

ৱাখল ইহুল

সোরাম ইবোহল লুৱাং

মসিদগী হেন্দোক্তুনা লৈকায়গী/খুনগী ওইনা লৈরিবা লৈরিবী ইপা-ইমা/ইবুধৌ-ইবেনধৌ শম্না হায়রবদা খুনবু/লৈকায়বু কোনবা কোনবীশিংবুসু মমাঙঙৈদগী চৎনরকপা হরাও মথোই কাবা য়াবা য়াদবা কয়াবু ঙাক্লা হৌজিকসু অদুম লেপ্তুনা পাঙথোক্লি।

নাকল অমরোমদা অমুক অদুঙৈ পামহৈবা নিংথৌনা মশানা পামজবদগী মনুং থিৎনা খঙফাত্তনা লৌরুবা মীরম লাইনীং লীচৎতা য়ূম্ফম ওইরগা মীরমগী মুনি/ঋষিশিংগী মমিংশিং খরবু মরী মখোঙ শুকশম শম্নদনা গোত্রশিংনি হায়বগা (মমাঙদসু খুদম পীদুনা নৈনজখ্রে) য়েক্কা চয়েৎ খোইয়েৎনহন্দুনা লৌন লৈনহনবদা মরীং মরাংবা খুন্নাইদা থোকহল্লি। খুদম, য়েক থোক্লবা মচিন মনাও নুপা-নুপী কয়া অমা মথোং মরম খঙহন্দনা লুহোংহন্দুনা য়েক নামুংবা কয়া খুন্নাইদা থোকহল্লিবসিনি। মসিগী মহয়না মচা-মশু ফংদবা (পোক্তবা)/শাগৈ মূৎপা/ফীভম শোয়নাইবা মচা-মশু পোকপা/পুন্সি তেনবা/লায়না-লাইথুং থুংবা/শাগৈনা ইন্থোক্তুনা চন্নফম খঙদনা ৱানা মপুন্সি লেনবা কয়ানি।

থিজিন লৌশিং (সাইন্স) গী মীৎয়েংদগীসু য়েংবদা য়েক মান্নবা মশেল হায়বদি হৌরকফম পারি পুরি মান্নবা/ঈগী কাঙলূপ মান্নবা মশেল লৌন-লৈনবা ফত্তে হায়বা লৈরিবনি। হৌরকঙৈদা মান্নরকপা তুংদসু ঙাক্লা থম্নবা য়েক মান্নবা মশেলদা নত্তনা লৌন-লৈনবা য়াদবা মখল খরা খুদম ওইনা পঞ্জরবদা সাইলুক তিন্নবা (মমা অমত্তনা য়েক তোঙানবা মপাশিংগীদা য়ূম্বাল্লগা পোকপা মচাশিং); পেনলোন তিন্নবা (মপা মবোক, মমা মবোক ময়ূমগী চনু নিংঙোল লৌনদুনা মবেন ঈবু শমথবা) ময়ামসি শুংশোয় শোয়দনা ঙাক্লা চৎপগী মথৌ তাই হায়বসি পূন্না খঙমিন্নবা ফৈ হায়না থমজগে।

নহা নুপা-নুপী য়ূম্বানবদগী হৌনা শোয়রকপা মশীংনা য়ামশিল্লক্লবদি মমৈদদি খুন্নাইদু মহাম তারবা/মথোং মরম খঙদবা অমা শোয়দনা ওইরক্লগনি। মসিনা মরম ওইরগা মীরম লাইনীং চৎপশিংদগী মতম চূপ্পগী ওইনা চেকশিনবগা লোয়ননা লমদমসিগী নুপা নুপী (পাখং-লৈশাবী) লৌন-লৈনবা মতমদা মখাগী কাঙলোন খরসি ঙাক্লা চৎপগী মথৌ য়াম্না তারক্লি।

১) লৌন-লৈনদ্রিঙৈগী মাঙওইননা হৌগৎলক্লিবা নুপা-নুপী হায়বদি পাখং লৈশাবী মখোয় মশেল মরম অমদগী খঙননীংবা/খঙনরকপা মতমদা মখোয় মশা মশাগী য়েক করিনো হায়বসি খঙদোক্লরগা য়েক মান্নদবা (গোত্র মান্নদবা নত্তবা) ওইরবদি মখোয় মশেল য়ানবগী মতুংইন্না নু-হোংবা (নু হায়বদি ফিনুংগী হকচাংগী ফীভম) কায়দে হায়না লৌবনা, য়াই হায়গনি। মসিনা য়েক নামুংবা থিংবা ঙমগনি। অতৈনদি ঙম্মোই।

২) নুহোংবা (হায়নবদা লুহোংবা) মতমদা য়েক-য়েক ওইবগী চৎনবীদা থৌরম পাঙথোকপসিদি ফৈ। মরমদি অপোক অশাৎকী পোৎলম চৈরম তম্নবসি গোত্রদা নত্তে।

৩) নুহোংবগী মাঙওইননা হৈচিং খরাই পুবসি ঈনাৎকী চৎনবীনি। লৈমা ওইগদৌরিবী (নু হোংলগদবী নুপী) গী ময়ূমদা পিবা ওইগদৌরিবা (নু হোংলগদবা নুপা) গী ময়ূমদগী অহল-লমন ময়াম্না পুরকইবদু ইপুধৌ পাখঙবদা পিবা-লৈমা ওইগদবা অনীগী পুন্সি লৈপুন শেল্লকপদা অকায় অতোই থোকহনবীগনু হায়না পন্থৌ ওইবা অনীনা খুরুমজদুনা থৌনিবগীদমক শোন্নপুংদা থারিবা ইপুধৌগী ফম্বালদুদা লৈ কৎলিবনি। মসিগী ৱাহন্থোক লৈবা লাইরোলনা হান্না ঈরাৎ পিবাবু শোলহনবীগদবনি। করিমত্তা হায়জ নোঞ্জ য়াওদনা ইশম শম্না পন্থৌ অনীবু লৈ কৎহনবদি করি কান্ননবনো হায়বসি থিগৎতুনা খঙমিন্নবগী মতম থেংমল্লে।

৪) মথক্কী থৌরমসি চুমহন্নবগীদমক তঙাইফদনা নুপী ময়ূমগী শম্না অরাংফম ফম্বশিং ঈনাৎকী মরমদা খঙবশিং তৌহনবনা হেন্না ফৈ।

৫) নু হোংবা নুমিৎসিদা মপুগী মিঙ্খ্রেরোল শক শোনবীগদবশিং অমদি নুপা (পিবা ওইগদবা), নুপী (লৈমা ওইগদবী) শেন্নবা শেন্নবী অনীমক্লা ঈরাৎ ঈশোন পীবদা মতেং পাংবীবগা লোয়ননা কাঙলোন চুম্না লৈ কোয়বা অমদি লৈ চাইবা তৌহনবীবা ফৈ। নৎত্রবদি য়েৎ-ওই চান্নদবা হায়বা থৌদৌ শোয়দনা থোক্কনি।

৩) ঈনাৎকীদদি লাই (শিদবা মপু) মফম খুদিংদা লৈ হায়না লৌবনা ঈরাৎ থৌনি থৌরম তৌবগী মওং মতৌ কায়দনা পাঙথোক্কনি :-

ঈনাৎ লাইনীংদদি মীৎনা উবা ঙমদবা তাইবঙ মপু মহাক্তি মালেমগী মফম খুদিংদা শিন্না থুংনা লৈ হায়না লৌবনা মফম অমদগী হায়বদি শঙলেন অমদগী পুথোক পুশিন নৎত্রগা থাংদোক থাংজিন তৌদুনা মফম হোং হোংদুনা হৈকৎ লৈকৎ তম্বা, খুরুম খাজংবা মথৌ তাদে। মালেমগী মফম অমদা হেক্তা পূক্নিং ৱাখলনা চেৎনা থাজনা/পামজনা খুরুম খাজংবা অদুম য়াই। অদুম ওইনমক কনাগুম্বনা লম অমদা হেক্তা খুভম য়ারগা থৌরম পাঙথোকচনীংলবদি ঙাক্কদবা চৎন-কাঙলোন খরদি লৈ। পাঙগদবা থৌরমগী মতুংইন্না অখঙ অহৈ অমদা তান্নরগা/হংলগা খুভম অমা য়াবা ওইনা 'ফম্বাল অমদি লাঙদবা' য়াদে। মদুদা থোন্নবা ফৈজোম, কোকয়েৎ/কোকথোন, ইনফি/লেংয়ান ফি অমদি লাংদুনা থমগনি। খরা চম্না পাঙবা থৌরমদনা খুদৈ অঙৌবা মপুম অমা ফম্বাল লাংফম ওইরিবা অদুগী মথক্তা লাবু ওইরবসু/করিগুম্বা ফালগুম্বা পোৎশক অমবু ওইরবসু মদুগী মথক্তা ফম্বাল ওইনা থম্লগা থৌরম পাঙথোকপা য়াই। ফম্বালদুদা অঙম্বা তরেৎ শেঞ্জা অমদি হান্না কৎকনি। অসুম্না লাঙলবা ফম্বালদুগী মমাঙ/নাকল ওইরপ্না য়েৎ থংবা নাকলদা হৈক্রু মপুম ওইনা লা তাঙ্গা অমদা ঈশিংনা হান্না শেংনা চাইথোক্লগা কৎকনি। মনাক্তা মৈরা ওইনা শীজিন্নগদবা পোৎশক খুদম ওইনা হান্নদি উচাল ওইনা শীজিন্নরম্বদু মতমগী খোঙলৈ মতুংইন্না কেন্দল ওইনা তুদনবা মওংদা ফজনা শেল্লগা থমগনি। চপ মান্নবা মওংদা ফম্বালগী ওই থংবা নাকলদা ক্বা তাঙ্গা অশেম্বা অমা, মনম মসিসু হান্নদি তিকি-মেক্রুক ওইনরম্বদু মশানা শেমজবা/অয়োনবা পোৎশক ওইনা শীজিন্নরে। ফম্বালগী হেক মমাঙ ওইরপ্না থৌরম থৌরমগী মতুংইন্না চেঙ তকপগী মকুপ/মহুৎ শিন্নবা য়ামবু ওইরবসু শীজিন্নরগা পাফল অমা হান্না য়েক্কনি। মদুগী মথক্তা লোইমোম ফৌ তাঙ্গা অমা থম্লগা মদুগী মথক্তা ঈসাইফু অমা, হৈনৌ মনা ৩/৫, উত্তং পয়া নত্তবনা পুল্লগা থমগনি। হৈনৌ মনা ৩ পুল্লগনা ফম্বাল মচা অদুগা হৈনৌ মনা ৫ পুল্লগনা ফম্বাল অচৌবগী থৌরমনি খঙনা শোনগদবা লাইরোলসু অদুম খরদি হেনবা ৱাৎপা তৌগনি। ঈসাইফু মনুংদা ঈরাৎ ঈশোন তৌবীগদবা পিবাদুনা মথৌ তাবা পোৎলম হাপকনি। মায়কৈ মঙাগী মনুংদা মায়কৈ মরিদনা মায়কৈ মরি ঙাকপা লাইশিংগী অদুগা মঙাশুবদনা লম লাইগী ওইরগা তরেৎ শেঞ্জা চান্দি লুপা চৎপী মঙা তাঙ্গা মচাশিংদা মফম চানা থৌরম পাঙগদবা মফমদুগী মতুংইন্না হান্না থারগা থমগনি।

কোনয়াই রোম চনবগীদমক সনা-লুপা (কৈথেলদা য়োনবা) অদুগী মহুত্তা হৌজিক্তদি চেঙ মচং অঙাংবা অমসুং অঙৌবা মচং অমমম পূন্না অনীনা হেন্না পাম্না শীজিন্নরক্লি। মখা তাবদি থৌরমদুগী ঈরাৎ ঈশোন তৌবীগদবা পিবানা লাইফুদা তাইরেন পুংফাই লুপ্তুনা লোংনা পায়রগা মথৌ তাবা লাইশোন তিনশোন-লাইরোল শোল্লগা মথৌ তাবা থৌরমদু পাঙথোক্লগা অরোইবদা অতাইরোন/থৌরম লোইশিনবগী লাইরোল শোল্লগা নুমিৎতুগী থৌরম মতোন লোমগনি।

ঈরাৎ লাইনীং লীচৎকা মীতোপ লাইনীং লীচৎকা মান্নদবা থৌওং খরদি হৈরুক ওইনা কৎলিবা হৈরাং খুদিংমক মপুম ওইনা ফজবা খল্লগা শেংনা ঈশিংদা চামথোক্লগা কৎকনি। লৈরাংবু ওইরবসু মপুম ওইনা কৎকনি, শেগাইরগা মচেৎ মকাই ওইনা কৎপা য়াদে। মীতোপ লাইনীংগদি মান্নদে। হৈরাং-লৈরাং কৎপা মতমদা মহৌশা পাল্লকপা-শাৎলকপগী মওংদা মখোকনা লাইগীদা ওনশিনগনি। লা লাতোন/লাচেৎ ওইনা শীজিন্নরগা কৎপা মতমদা মখোক্লা লাইরোমদা ওনশিনগনি। লাইনিংথৌগীনা উপকনি অদুগা লাইরেম্বীগীনা লোংগনি। লফোই কৎপা মতমদসু লাইনিংথৌগীনা উপকনি অদুগা লাইরেম্বীগীনা লোংগনি। তরেৎ শেঞ্জা কৎপসু লাইদা থৌগনজবগী মওংদা কৎকনি। মীতোপ লাইনীং লীচৎকা মান্নদবা থৌওং কয়া লৈবনা ঈনাৎলোয়গী থৌরম অমা পাঙবা মতমদা তঙাইফদনা ঈরাৎপীবা/অমাইবা, অশৈবা (মপুগী মতিক ময়াই, মিঙ্খ্রে শক শোনবা) অমদি য়োইরেন (অরাংফম) য়াওদবা য়াদে। মপুগী মফমদা লুকলেন কৎপগী তঙাইফদবা মতাংদদা নত্তনা মীয়াম্বু অথোংবা ওইনা পীজ-পীথকপগী মথৌ তারকপা মতাংদা ফু হৌগদবনা ফু হৌবগী শিন্থা পাঙবশিংসু মশীং হেনগৎহন্নবা য়োকখৎপগী মথৌ তারক্লি। ●